# অন্না হাজারে শর্মিলাগা উন্নবা লাক্কদৌরি শর্মিলাগী দিমান্দ য়াম্না কুপ্না নৈনরবা য়াই

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯:*** ভেটরান গান্ধীয়ান অন্না হাজরেনা রাইটস এক্টিভিষ্ট ইরোম শর্মিলাগী চহী ১০ হেল্লক্লবা চরা হেনবগী খোঙজং অসি লোইশিনহন্নবগীদমক্তা মণিপুরদা অথুবা মতমদা লাক্লবা য়াই হায়না টিম অন্নাগী কোর গ্রুপকা নক্লবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

জন লোকপালগী মুভমেন্ট অসিনা মায় পাকখিবদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা এক্টিভিষ্ট কয়ানা টিম অন্নাগী মফমদা মখোয়গী খোঙজঙশিং অদুবু শৌগৎপীনবা তোঙান তোভানবা আপিল কয়া তৌনরকখি। অদুগুম্বা খোঙজংশিং অদুগী মনুংদা অৱাং-নোংপোক লমদমদা চৎনহল্লিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ অসিবু লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ অসিগা লোয়ননা ইং ২০০০ গী নভেম্বর থাদগী চরা হেল্লক্লিবী শর্মিলাগী খোঙজং অসিসু অমনি হায়রি।

এন্টি-করপসনগী এক্টিভিষ্ট অসিগা নক্লবা পাউগী লীখুন অসিনা হাজারেনা শর্মিলাগী ফিভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লিবা চরা হেনবগী খোঙজং অসিবু অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নিংলে হায়রি। ইরোম শর্মিলাবু ঙসিসু জৱাহরলাল নেহরু হোস্পিটালদা পাইপকী মতেংনা নাতোনদা নম্থুন্দা চীঙ্গাক থাজিল্লগা থম্লি।

শর্মিলানা জনলোকপালগী মুভমেন্ট মনুং অদুদা চিঠি অমা ইদুনা খোঙজং অদুবু মহাক্না শৌগৎপগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

টিম অন্নানা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না টিম অসিগী মীওই অনি মনিশ শিসোদিয়া অমসুং শুপ্রিম কোর্টকী এদভোকেট প্রশন্ট ভুষন হায়রিবা মীওইশিং অসি অথুবা মতমদা ইম্ফালগীদমক্তা খোঙশাল্লক্লগনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী অতৈ ইরাং লৈবা মফমশিংদসু অকায়বা থোক্লকপা য়াবা মরম্না অফস্পা লৌথোক্লবা শর্মিলানা তাল্লিবা দিমান্দ অসি টিম অন্নানা য়াম্না কুপ্না নৈনরবা য়াই হায়না পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

শর্মিলাবু মহাক্কী চরা হেনবা অসি তোকহন্নবা থেমজিনবতা নত্তনা গান্ধীয়ান অসিনা অতৈ মরম খরদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনিংবগী অপাম্বা লৈ হায়নসু হাজারেগা নক্লবা পাউ অসিনা মখা তারি।

অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী পুক্নিংদা লৈবাক অসিদগী তোঙান্না তাবগী ৱাখল অমা পোক্ল রিবা অসি অন্নাগী মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিনা মাঙহনখিদুনা লমদম অসিবু জাতিগী ঈচেলদা অমত্তা ওইনা তিনশিনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়রি।